নাগালেন্দগী অপুনবা কেস মশিং ১৬৮ য়ৌরে

কোহিমা, জুন ১৪ (এজেন্সি):

নাগালেন্দদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৫ রিপোর্ট তৌরকপগা লোয়ননা ষ্টেটকী অপুনবা কেস মশিং ১৬৮ য়ৌরে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা ষ্টেটকী হেল্থ মিনিষ্টর এস পি ফোমনা হায়খি মদুদি, সেম্পল ২৩২ টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা সেম্পল ৫ থেংনরে। নৌনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী মনুংদা মোন দিষ্ট্রিক্টকী ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈবা মীওই ৩ অমসুং পেরেনগী ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈবা মীওই ২ য়াওরি। ষ্টেটকী অপুনবা কেস মশিং ১৬৮ য়ৌখিবগা লোয়ননা এক্তিভ কেস ৯২ লৈরি। মীওই ৭৬ নারুবদগী ফগৎলক্লে। হৌজিক ফাওবা লায়না অসিনা মীওই অমত্তা শিহনখিবা য়াওদ্রি।

মিজোরামগী ওইনসু অনৌবা কেস ৫ থেংনখিবগা লোয়ননা ষ্টেটকী অপুনবা কেস মশিং ১১২ য়ৌরে। থাংজ নুমিত্তা সেম্পল ৫১০ টেষ্ট তৌবদা সেম্পল ৫ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওই ৫ গী মনুংদা আইজোল দিষ্ট্রিক্টতগী ৩ অমসুং সিয়াহ দিষ্ট্রিক্টতগী ২ য়াওরি।

ষ্টেট অসিগী অপুনবা পোজিটিভ কেস ১১২ গী মনুংদা নুপা ৫৮ অমসুং নুপী ৫৪ য়াওরি। এক্তিভ কেসনা ১১১নি। ষ্টেট অসিগী অহানবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবা মীওই অদু লায়েংবদগী ফগৎলত্তুনা হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।

চৈরকসিদা, মিজোরাম গভর্নমেন্টনা ইমপ্লোয়শিংগী তোলোপ মতম থেংথনা পীনবগী মতাংদা লৌখৎলকপা থৌরাংবু কোংগ্রেসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। আইজোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কোংগ্রেসকী স্পোক্সপর্সন ডা. লালিয়াচুঙ্গানা হায়খি, ষ্টেট লৈঙাক্না কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী মতাংদা শেল মরাং কায়না লৈরবসু ইমপ্লোয়ীশিংগী তোলোপ মতম চানা পীরোই হায়রিবা ৱাফম অসি মরম চাদে। সেন্টরনা হন্দক্তা লুপা ক্রোর ৩৪ পীরকখিবগা লোয়ননা সী এম রিলিফ ফন্দদা লুপা ক্রোর ৭ দোনেট তৌরকখি। লেজিসলেটরশিংনসু লুপা ক্রোর ১৭.৫ পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। পুম্নমক অসি য়েংলগা ষ্টেট লৈঙাক্না ইমপ্লোয়শিংগী তোলোপ মতম চানা পীথোকপিবা মথৌ তাই।

মিজোরামদা মীওই ৮৪১ পন্দুনা লৈরি

আইজোল, জুন ১৪ (এজেন্সি):

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌখিবনা মরম ওইরগা মিজোরামদা হৌজিক তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী মীওই ৮৪১ পন্দুনা লৈরি। ঝরখন্দদগী লাকখিবা মীওই ১,৩৬০ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীওই ১২৮ দি মাঙজেনা মিজোরাম থাদোক্তুনা চৎখ্রবনি। পন্দুনা লৈরম্বা মাইগ্রেন্ট ৱর্কর অয়াম্বা গাড়ি তোংদুনা পোক্লফম লমদমদা হন্নখি। শুপ্প্রগী মীওই খরখক লেংপুই এয়রপোর্টতগী ফ্লাইটতা হনখি। সাউথ কোরিয়াদগী লাকখিবা মীওই অমসু এরোপ্লেন তোংদুনা মরৈবাক্তা হনখ্রবনি। থাংজ নুমিৎত্তা মীওই ৫ পোজিটিভ ওইরকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী অপুনবা কেস মশিং ১১২ য়ৌখ্রে।

অসামগী অপুনবা কেস মশিং ৩,৯৪৩ য়ৌরে

গুৱাহাতি, জুন ১৪ (এজেন্সি):

অসামদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৪৩ রিপোর্ট তৌরকখিবগা লোয়ননা ষ্টেটকী অপুনবা কেস মশিং ৩,৯৪৩ শুরে। নৌনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী মনুংদা নগাউনদগী ১৪, গোলাঘাটতগী ১০, কামরূপতগী ১০, জোর্হাটতগী ২, বক্সাদগী ২, চিরাংদগী ২, কার্বি অংলোংদগী ১, ধেমাজিদগী ১ অমসুং বোঙ্গাইগাওনদগী ১ য়াওরি। ষ্টেট অসিগী অপুনবা এক্তিভ কেস ২১২৭ নি। লায়না অসিনা মীওই ৮ শিহনখ্রে অমসুং নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ১৮০৫ নি। ষ্টেট অসিদা নোংম-নোংমগী অনৌবা কেস মশিং হেনগৎলকপগী মতাংদা লৈঙাক্না মতিক চাবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎলে হায়রি।

অগরতালা-অখোরা আই সী পি হাংদোকখ্রে

অগরতালা, জুন ১৪, (এজেন্সি):

নুমিৎ ৬ নিগী মতুংদা অগরতালা-অখোরা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট (আই সী পি) হাংদোকখিবগা লোয়ননা পন্দুনা লৈরম্বা বাংলাদেশি কয়া মরৈবাক্তা হনবা হৌখ্রে।

ইন্টরনেসনল চেক পোষ্ট অসিদা মথৌ তৌখিবা দোক্তর অমা মমাং চয়োলদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখ্রবনি। বাংলাদেশদা পন্দুনা লৈরম্বা ইন্দিয়ন কয়া নুমিৎ অদুদা চেক পোষ্ট ফাওদুনা হল্লকখি।

অগরতালা-অখোরা ইন্টরনেসনল চেক পোষ্টতা মথৌ তৌখিবা বি এস এফকী পর্সনেল ৬কা লোয়ননা অতোপ্পা ওফিসল ২সু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখি। হৌজিক ফাওবদা চেক পোষ্ট অসিদা মথৌ তৌবা মীওই ৯ পোজিটিভ ওইরে। মদুনা মরম ওইরগা ওথোরিটিশিংনা চেক পোষ্ট অসি নুমিৎ ৬ নি থোঙ লোনশিন্দুনা থল্লকখিবনি। থাংজ নুমিত্তা নৌনা চেপ পোষ্ট হাংদোল্লবা মতুংদা বাংলাদেশি ২৪ মরৈবাক্তা হনখি। অদুমওইনমক পোৎ-চৈ পুথোক-পুশিন তৌবা গাড়িশিংদি চেক পোষ্ট অসি ফাওরগা চৎনবগী অয়াবা পীদ্রি।

ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনা হায়খি, মীওই কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী তঙাইফদনা চেক পোষ্ট থিংজিনখিবনি। মীপুম খুদিংমক খুদোংথিবা নংহন্দনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯ কেস মশিং য়াম্বদা বাংলাদেশনা চাইনাদগী মাঙজিন থাখ্রে। নোংমখক্তদা বাংলাদেশতা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ২,৮৬৫ হেনগৎলকখি।

হৌজিক-হৌজিক লৈবাক অসিগী অপুনবা কেস মশিং ৮৪,৩৭৯ য়ৌরে। শিখিবা মীশিংনা ১,১৩৯ শুরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিং ১৭,৮২৭নি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙখিবা অমদা দিরেক্টোরেট জেনরেল হেল্থ সর্ভিসেসকী এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল নসিমা সুল্টানানা হায়খি, লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা লেবোরেটরি ৫৯ দা সেম্পল ১৩,৬৩৮ টেষ্ট তৌবদা সেম্পল চাদা ২০.৯৮ পোজিটিভ ওইরে। মালেমগী লৈবাক ২১০ দা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ পাক শন্না শন্দোরকপগুম বাংলাদেশতসু নুমিৎ খুদিংগী অনৌবা কেস কয়া রিপোর্ট তৌরকপা থেংনরি। কোভিদ-১৯গী কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্বদা বাংলাদেশনা মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা ১৮ শুবদা লৈরে।

ষ্টেটকী পাউ

ক্লেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১৪ : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোইজিং জি পিগী প্রধান এম দি ৱারিশকী য়ূমদা হৌখিবা জুন ১২দা বোম পোকখায়হনখিবা অদু পীপলস ৱার গ্রুপ মার্ক্সিষ্ট সেন্টরগী লান্মী শঙলূপ রেদ গার্দকী টিম অমনা চখিবনি হায়না পীপলস ৱার গ্রুপ মার্ক্সিষ্ট সেন্টরগী সেন্ট্রল মীদিয়া কোওর্দিনেটর সেক্রেটারি কমরেদ লেনিন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ক্লেম তৌরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক কংলৈ খুন্নাই অসিদা লোইলম মপূগী মনাই অচানবা ওইরিবা খরনা লমদম অসিগী চমজরবা মীয়াম্নুঙইহাক লৈতনা অৱাবা পীরি। মশাগীতা খন্দুনা চমজরবা লৌমীশিংদা ওইদবা কয়া তৌদুনা মরন্নাই ফুরিৎখাউ তোংনবা হোৎনরি। লূপ অসিনা চমজরবা মীয়ামগী ৱাকৎ তারবা মতুংদা প্রধান ৱারিশতা কয়ারক হন্না ৱাখল তামিন্ননবা হায়খি। অদুবু মদুগী ওন্ন-তৈনবা মায়কৈদা খোঙ থাংজিন্দুনা হান্ননা লালহৌলূপ অমদা য়াওরল্লবা য়েক্লবশিংদা খূৎ থাঙ্গৎতুনা চঙজখ্রবা অমগা মান্নদুনা লূপপু উশিৎ থৌওইদনা চথুরকখিবা থৌওংদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চান্দেলদা য়ূম মৈ চাকখ্রে

চান্দেল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস):

ঙসি অয়ূক্কী পুং ১১.৪৫ রোম তাবা মতমদা চান্দেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা চান্দেল খুল্লেনদগী টি লালপু কোম কৌবা মীওই অমগী য়ূম মৈনা তুম্না চাকখ্রে।

ইমুং-মনুংগী রিপোর্ট মতুংইন্না মৈ অদু শোর্ট সর্কিটতগী হৌবা ওইরমগনি হায়রি। কেশ ওইনা লুপা লাখ ২৫, মাল-চাং য়াওনা পূন্না লুপা ক্রোর ১ মুক ওইগনি হায়না পানরি। এদ্যুকেসনেল সর্টিফিকেট, সর্ভিস দোক্যুমেন্ট, লৌগী অমদি লমগী পাট্টা অমদি এক্তিভা অমসু মৈনা তুম্না চাকখ্রে। অশোক-অপনদি লৈতে হায়রি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুর রুলস, ২০১৯ ফোঙলগনি

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস):

হয়েং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুংখায় চৎলকপা পুং ১২.৩০ তারকপদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুর রুলস, ২০১৯ অমসুং হায় কোর্ট ওফ মণিপুর ভিদিও কনফরেসিং রুলস, ২০২০ হৌনবী মতুংইন্না কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকরনা রিলিজ তৌরগনি হায়রি।

চীফ জষ্টিসকী কোর্ট হোলদা ভিদিও কনফরেন্সিংদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা কোর্টসিগী জষ্টিস লানুশুংকুম জামির, জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিন, জষ্টিস এম ভি মুরালিদরন অমসুং জষ্টিস অহন্তেম বিমোলনা শরুক য়াগনি হায়রি।

অশিবা হকচাং ওইনা ফংলে

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস):

লোক্তাক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লৈমতাক এরিয়াদা ঙরাং ইরোই শেনবা চৎখিবা নুপা অমা নুমিদাংৱাইরম পুং ৪ রোম তাবদা লৈমতাক তুরেলদা তাখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবা অদু ঙসি নুংথিল পুং ৩.০৯ রোম তাবদা মনা তাখিবা মফম অদুৱাইদগী শিনা ফংলে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং জিয়ানথাইলুং লিয়াংমৈ (২৪) অপোকপা লুঙমদাইপৌ কৌই। মহাক খৌপুমদগী লাক্লগা হৌজিক্কা লৈশোক খুলদা লৈবনি হায়রি।

ব্রাউন সুগর অমদি নোংমৈ পুরম্বা ফারে

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল মোরে লম্বীগী কোন্দোং লাইরেম্বীগী চিকিম ভেঙ মনাক্তা মোরে পুলিস অমদি কম্মান্দোশিংনা টাটা সফারি এম এন ০৬ এল এ - ৬১৭৬ অমা খামদুনা চেক তৌবদা ব্রাউন সুগর য়াওরম্বদগী মীওই অমা ফারে হায়রি।

টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি টি ঐচ বিক্রমজিৎকী মীৎয়েং মখাদা মোরেগী এস দি পি ও এল মেঘচন্দ্রগী কম্মান্দ মখাদা এস আই সহিদ ইরসদ, এস আই প্রেমজিৎ, এস আই এম গোলমৈ, কম্মান্দোগী এ এস আই সৈত্যজিৎ য়াওনা কম্বাইন টিমনা চপ চাবা পাউ ফংদুনা গাড়ি অদু চেক তৌবদা ব্রাউন সুগর গ্রাম ৬২১ য়াওম্বদগী ফাখি।

হায়রিবা দ্রগশিং অদু তোঙান-তোঙানবা পেকেট ৫০দা হাপ্লগা পুরম্বনি। ফারবা নুপা অদুগী মমিংনা খাইলেন হাওকিপ (৪০) অপোকপা লেটথাং হাওকিপ কৌই। মহাক চুরাচান্দপুরগী ন্যু বোলজাং খুলদা লৈবনি। মঙোন্দগী টাটা সফারি ১, মোবাইল হেন্দসেট ২, আধার কার্দ ১, দ্রাইভিং লাইসেন্স ১ ফাগৎলে। ফারবা মীওই অদু মোরে পুলিস ষ্টেসনদা মখা তানা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, থা অসিগী ১১গী নুংথিল পুং ২.১৫ রোম তাবদা মোরেগী কোন্দোং লাইরেম্বী চেক পোষ্টতা মোরে পুলিস অমদি কম্মান্দোগী কম্বাইন টিমনা চেক তৌবদা মারুটি স্বিপ্ট দিজিয়র দল্লীয়ু বি ০২ এ এফ-৩৮০৬ অমদগী নোংমৈ অমদি মেগজিননচিংবা ফারে হায়রি।

ফারবা নুপা অদুগী মমিংনা খাইজামাং তৌথাং (৩০) অপোকপা ঙমজাপাও তৌথাং কৌই। মহাক মোরেগী য়াঙৌবুং খুলদা লৈবনি হায়রি। মঙোন্দগী ফারবা পোৎলমশিং অদুদি পিষ্টোল ৭, মেগজিন ৭, ক্লিনিং রোদ ৬, পিষ্টোল গ্রিপ ১২, ঐচ সেপ প্লাষ্টিক ফাইভর ৬, মোবাইল হেন্দসেট ১, দ্রাইভিং লাইসেন্স অমদি এ টি এম কার্দনচিংবনি হায়রি।

ঐখোয় অনৌবা মপোক অমা পোক্লসি...

হান্নগী মখা... মসিগা চপ মান্ননা মুম্বাই য়াওনা মহারাষ্ট্রগী ফীভমসু পোকখায়বগী চাং য়ৌরে। ৱাল ষ্ট্রিট জর্নেলনা মুম্বাইগী ফীভমবু লানফমদগী হেন্না ফত্তে (ৱর্স দেন ৱার জোন) হায়না রিপোর্ট তৌখি। মুম্বাইদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাল পুম্নমক্কী অনাবগী ফমুং পুম্নমক্কী চাদা ৮০ লৈঙাক্না কোভিদ-১৯গীদমক লৌশিনখ্রে। জুন ৯ ফাওবদা মুম্বাই পুলিসকী মীওই ১৮৭১ মহীক পকখ্রে; মসিগী মনুংদা ২১না শিখ্রে। ইন্দিয়াগী মফম অতৈ হায়বদি তামিল নাদু অমদি গুজরাটকী মফম খরদসু খুন্নাইদগী খুন্নাইনা লৌবগী থাক্তা লৈরি। চেন্নাই অমসুং অহমেদবাদকী ফীভম য়াম্না মিপাইনিংঙাই ওইরি। মসিগী মথক্তা দিল্লি, মুম্বাই, চেন্নাই অমসুং অহমেদবাদনচিংবা অচৌবা ময়োল লমশিংদা লৈরম্বা লংফৈ চৎপা শিন্মী (মাইগ্রেন্ট ৱর্কর) লাখ কয়া কয়ানা খুঙ্গংদা লৈবা ময়ূম-ময়ূমদা হন্নখিবদগী ঙসিদি ইন্দিয়াগী খুঙ্গংশিংদা কোরোনাভাইরস পক্লবা মীওই কয়া চাইথোকখ্রে হায়বা য়াই। মখোয়গী মরক্তা অয়ান্বনা মরমদম য়ৌখ্রগা ক্বারন্টিন তৌখিদে। চৎপা মতমদসু মী অমগা-অমগা য়াম্না লৌনরমগনি; লম্বীদা মী অমগা-অমগা ফুট ৬ লাপ্নবা হায়বা কাঙলোন অদু শুকইন ইন্দনা, ইন্ন-ইন্নদুনা কোল্লুপ-কোল্লুপ চৎখি; ট্রেন, বস, ট্রক, ওটোনচিংবদসু ঙারি নম্বগুম নল্লগা চৎখি। মসিদনি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সী এম মমতা বেনর্জীনা ট্রেন (শ্রামিক ট্রেন) শিং অদুবু ‘কোরোনা এক্সপ্রেস’ হায়না মিংথোন পীখিবদু। ৱেষ্ট বেঙ্গলগীসু অতৈদগী তাবা নত্তে। হন্দক্তা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লাকখিবা ‘অম্ফান’ নোংলৈ নুংশিৎনা থোকহল্লম্বা অমাঙ-অতা মরক্তগী মী অমদি লন-থুম কন্ননবা হোৎনখিবা এন দি আর এফকী মীওই ৫০ মহীক পক্লিবা অসিনা ষ্টেট অদুদা লৈবা মীয়াম মরক্তা মীওই কয়া মহীক পক্লমগদগে হায়বসি ৱাখলনা শাগৎপা য়াই। মসিদা নৎতনা ইন্দিয়াগী ভি ভি আই পিশিং ঙাক শেল্লিবা এন এস জিগী মরক্তীসু মীওই ৫৫ হেন্না মহীক পক্লবনি। অচৌ-অশাং কয়াসু মহীক পক্লে। ইন্দিয়াগী দিফেন্স সেক্রেটরি অজয় কুমার, য়ু পি এ মতমদা সেন্টরদা মিনিষ্টর ওইরম্বা হন্দক্তা বি জে পিদা য়াওখিবা জ্যোতিরাদিত্য সিন্দিয়া অমদি মহাক্কী মমা মাধবী রাজেসু কোরোনা পক্লে। টামিল নাদুগী দি এম কে, এম এল এ, জে অনবাঝাগনদি কোভিদ-১৯না নাবদগী লৈখিদ্রে। থা অমগী মমাং হায়বদি মে ৬কী রিপোর্টঅমদা ইন্দিয়াদা হেল্থ ৱর্কর ৫৪৮ মহীক পক্লে হায়খি।

থুনা হীদাক পুথোরকপা নৎত্রবদি হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী মহীক পকপগী মশীং অমসুং ফীভম য়েংলবদি মালেমদা ইন্দিয়ানা কোরোনা পকপা মীগী মশীং খ্বাইদগী য়াল্লক্লোইদবগী মরম লৈতে। মনিশ সিসোদিয়ানা দিল্লিদা নুমীৎ ১২নি, ১৩নিদা মহীক পকপা মীগী মশীং শরুক ২/২ ওইরকই হায়খি।

মথং মথং...

লূপশিংনা খন্নফম থোকই : কে সী পি- এম সী (প্রোগ্রেসিভ)

ইম্ফাল, জুন ১৪:

নিংথৌরেল কয়াদগী ঙাক শেন্দুনা মীয়ামগীদমক লেংদনা থল্লক্লবা নিংথৌ খূভমবু রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইননবা থাদোক্লবা হোৎনরকপা চুমদে, য়ানিংদে। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা তোঙান-তোঙানবা লূপশিংনা খন্নফম থোকই হায়না কে সী পি- এম সী (প্রোগ্রেসিভ) কী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি মহৈখোম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, খন্নদুনা তৌফম থোকপা ফিরেপ লৌহৌদবা তারবদি হৌখিবা চহী কয়াগী মমাংদগী চথুরকখিবা নীংতম্বগী ঈহৌ অরেম্বদা তাখ্রগদ্রা হায়বগী ৱাফম লাক্লে।

লৈঙাক অসি লুচিংলিবা কাঙবুনা লৌখৎলক্লিবা থবক অসিদা য়াওল্লুপশিংগী মরক্তসু লোন্না চৈঙাক পীবা য়াওরব্রা হায়বা লূপ অসিগী রিসর্ছ এন্দ এনালাইসিস ৱিংদা রিপোর্ট লৈরে। অদুমওইনমক মসিগী মতাংদা হেন্না কুপ্না থিজিনখিগনি। করিগুম্বা নমথাক্কী লালহৌ ওইরবদি বেঙ্কোক্তা এন এস সী এন-আই এম অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মরক্তা সাইন তৌনখিবা ঙমখৈ লৈতবা সিজ ফায়রগী পুৱারীনা মমুৎ তানা নৈনগনি হায়নসু চেরোল অদুনা থল্লক্লি।

অমরোমদা, মণিপুর মীয়াম কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা খম থেংনা ৱারবনি। রাজ্য সভাগী মেম্বর খনবগী মতাং অসিদা মরী লৈনবশিংনা হরাও-মথোই কারবসু মীয়ামগীদি অচাকপা মৈদা ঘী হৈরবনি। লুচিংবশিংনসু মীয়ামগী অপাম্বা মওংদা লমদম অসিগী য়াইফনবা থবক তৌবীয়ু অমদি মিনিষ্টরশিংনসু মীয়ামগী য়েংদুনা থবক তৌফম থোকই হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

তেংবাং পীখ্রে

ককচীং, জুন ১৪ (ঐচ এন এস):

সুগ্নু এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সিগী মনুং চনবা পাঙলতাবী গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দ নম্বর ৭ তাংজেং খুনৌদা লৈবা মাইবম অঙৌ অমদি মহাক্কী লোয়নবীদা, ৱাঙুদগী সোসল ৱর্কর খোইরাকপম ইবোয়াইমনা মহাক্কী মায়কৈদগী মতেং পাংবা ওইনা শেল ওইনা লুপা ৫,০০০ পীখ্রে।

কে ঐচ ইবোয়াইমনা হায়খিবদা, এম অঙৌগী ইমুং অসি অসুক্কী মতীক অৱাবা ফীভম অমদা লৈরম্বা অসিদা মহাক্কী মায়কৈদগী মতেং পীবা ফংবা অসি লাইবক ফবনি। ইমুং অসিগী ফীভম অসি য়াম্না নাতৈ চাদবা ফীভম অমনি। কনা অমত্তগী মতেং য়াওদনা মখোয় অনীখক অসুক ৱানা লৈরিঙৈ অসিদা মহাক্কী লোয়নবীসু বি পি ষ্ট্রোক তৌদুনা ফমুংদা তাদুনা লৈরি।

ব্লেক্তা য়োল্লম্বা ফাগৎপা লেপত্রি

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস): খুরাই অঙাওবী হায়না মিংথোনবা মণিপুরী ফিল্ম অসিবু ব্লেক্তা থাদোল্লম্বা মীওইশিং লেপ্তুনা ফাগৎপগী থবক চথুরি।

ফিল্ম অসিবু ব্লেক্তা থাদোল্লম্বা মীওই অমসু ঙসি মোবাইল ফিল্ম দিষ্ট্রিব্যুসন সেন্টর (এম এফ দি সী)না ফারবা মতুংদা ৱাখল তামিন্নখ্রে। ৱাখল তামিন্নখ্রবা মীওই অদুদি ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুনদগী এম দি অব্দুর রাজাক (২২) অপোকপা অব্দুল গাফরনি। ফিলম ব্লেক্তা থাদোল্লম্বা অব্দুর রাজাকনা, অসিগুম্বা থবক অসি তৌজররোই হায়বগা লোয়ননা মহাক্না থাদোকখিবশিং অদু মাঙহনবীখিনবসু আপিল তৌরকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা এম এফ দি সীগী প্রোপ্রাইটর ঐচ জয়ন্তনা ফোঙদোকপদা, মণিপুরী ফিল্ম পুথোক্লিবা প্রদ্যুসরশিংনা মশানা পুথোকখিবা শেল হঞ্জিন্দবগী অচৌবা চৈথেং অমা মায়োক্লদুনা মখা তানা ফিল্ম পুথোকপা ঙমদবগী ফীভম অমা য়াওরক্লে। মসি দি ভি দি থাদোক্লবসু, ওনলাইনদা থারবসু মশাগী কান্নবা খরগীদমক্তা চাকথোক্লগা পাইরেসি তৌবদগী থোকপনি। মরম অসিনা লমদম অসিগী মীয়াম্না ৱাখল তাবীদুনা মণিপুরী ফিল্মবু চাউখৎপদা মতেং পাংবীয়ু অমদি নুংশিবীদুনা পাইরেসি তৌবগী থবক লেপ্পীয়ু হায়না মীয়ামদা আপিল তৌরকখি।

বোম ২ পোকখায়খ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস) :

চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনদগী খা রোমদা কিলোমিটর ৭ রোম চৎলগা লৈবা মোংলেমফাই টৌলেন খুলদা লৈবা সিমিট্রি অমদা মী শিবগী এক্সকাভেটরনা লৈবাক কোৎপদা সেকেন্দ ৱার মমাঙগী লফু থরো মানবা বোম অনী লৈরল্লে হায়রি।

বোম অনী অদু চুরাচান্দপুর পুলিস টিমনা অয়ুক পুং ৮.৩০ অদুৱাইদা লৌখৎলবা মতুংদা পুলিসকী বোম দিসপোজেল স্কৱাদ লাক্লগা মনাক অদুদা লৈবা লৌবুক-লম্মাংদা পুথোক্লগা অশোই-অঙাম য়াওদনা পোকখায়হনখ্রে হায়রি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI

Ref :- Mut. Case No. 149/SDC/KBI Dt. 08/06/2020

1) Wahengbam Zillachand Singh S/o (L) W. Amuba Singh of Kumbi Awang Leikai. *-Petitioner*

-Vrs-

1) Wahengbam Amuba Singh S/o (L) W. Kulladhaja Singh of Kumbi Awang Leikai. *-O.P. Pattadar*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Kumbi, the 8th June, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৫৫-সাইতোনগী মনুংদা লৈবা পাট্টা নং ২৩৯ (অনৌবা), ২১ (অরিবা), দাগ নং ২৪৯০গী অপূনবা এরিয়া ১.৫০ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিদা পাল্লিবা পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা পিটিস্নরনা মাগী অপোকপা মপানা মাগীদমক থম্বীরম্বা লমনি হায়দুনা মাগী মিংদা নামজারি তৌবিরো হায়দুনা এস দি সী - কুম্বীগী কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অদুনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। করিগুম্বা মথক্কী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদবা তারগদি আইনগী মতুংইন্না মিং ওনখ্রগনি। মখা তাবা আপতি অমত্তা লৌজরোই।

Sd/- Y. Haridas Singh
Sub-Deputy Collector, Kumbi

HL-P/7132/15

নাবনা মীওই ৩ ফারে

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস) :

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মায়োক্লনবা লৈঙাক অমদি মীয়াম্না কন্না হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা ময়াই কাবা চিঙ্গাক পুদুনা লাকপা মীওই ৩ নার্কোটিক এন্দ এফেয়র্স ওফ বোদর পুলিস ষ্টেসন (নাব)না হেরোইন পাউদর গ্রাম ৪০০ অমদি শেল ওইনা লুপা লাখ ৪ য়াওনা ফারে।

পাউমীশিংগা উনবদা নাবকী এস পি অমদি পুলিসকী পি আর ও দল্লীয়ু বাসুনা হায়খি, দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওই অহুম অদুদি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মাওখোংদগী চাইলি (৪৭) অপোকপা সমুলদেল, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ত্বিবোংদগী ফেলিনা (২৮) অপোকপা দেমখোসাই অমসুং চুরাচান্দপুরগী মুন্দুং খুলদগী ঙামখোমাং হাওকিপ (৩০) অপোকপা মাংজিন হাওকিপনি। পাউ অমা ফংবদগী ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তাবদা নাবকী টিম অমনা চাইলি কৌবী নুপী অমা হান্না মন্ত্রিপুখ্রি এরিয়াদগী হেরোইন পাউদর গ্রাম ৪০০গা কোন্ননা ফাখিবনি হায়রি।

মাইক্রো ফাইনান্স তৌবীরিবশিংনা লোন পীবিয়ু

কোভিদ-১৯ গী চৈথেংনা খম থেংনা ৱারবা অঙ্ককসিদা হিংনবগী থৌশিল থৌরাং অমসুং থবক্তি লেপ্পা য়াদ্রি। লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈরুবনা উপায় শন্নবা শেল্লেপ লৈতবদগী অচাকপা মৈদা ঘী হৈজিনবগা পাম্নক ওইররে। বেঙ্কদগী শেল পুবা হায়বসি লায়রবশিংদদি ওইথোক্তে। লৈকাইদগী পুরবসু শেন্দোই চাদ ৪ দগী ১০ ফাওবা লৌনরি। মাইক্রো ফাইনান্সশিংদদি চাদ ২ ফাওবা য়ৌদ্রি। লালহৌলূপ অমদি অতৈ লূপশিংনা অথিংবা থমখিবদগী মাইক্রো ফাইনান্সশিংনা লোন পীবা লেপখ্রে। অপীকপা শেন্দোইদা লোন লৌজরগা হিংনবা হোৎনজরিবা ঐখোয়গী লম্বী লৈশিল্লক্তে। মাইক্রো ফাইনান্সশিংনা লোন পীবিয়ু। অপীকপা শেন্দোই ওইবনা মতম চানা শিঙ্গৎচগে।

ৱাকৎচরিবা

সিলহৈমা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ, খোমেন জোন ফোর

HL-P/7130/15

লোন পীবিয়ু

অপীকপা শেন্দোইদা মাইক্রো ফাইনান্সশিংদগী লোন লৌজদুনা হিংনবগী উপায় শন্নক্লি। পৃথিবীগী লায়চং কোভিদ লাকখিবদগী খম থেংনা অৱাবগী পাম্নক ওইরে। হিংনবগীদমক শেল্লেপ য়াওদনা করিগুম্না অমত্তসু তৌবা ঙমদ্রে। করিগুম্না অমত্তা য়াওদনা বেঙ্কদগী লোন লৌবসু ওইথোক্তে। অপীকপা শেন্দোইদা হেক্তা লোন পীবিরম্বা মাইক্রো ফাইনান্সশিংসু লূপশিংনা অথিংবা থমখিবদগী লোন পীবিদ্রে। লায়চংনা মরম ওইদুনা খম থেংনা ৱারবা তাঙ্গাসিদা মাইক্রো ফাইনান্সশিংনা লোন পীবিয়ু। লায়রবা প্রজাশিংগী মতেং পাঙবিয়ু। লায়রবশিংগী য়েংবিদুনা লূপশিংনসু মাইক্রো ফাইনান্সশিংদা থম্রিবা অথিংবা লৌথোকপীয়ু।

সেক্রেটরী
ৱাংখৈময়ুম মঙাললৈমা
লৈসেম্বী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ, য়ৌরবুং মমাঙ লৈকাই

HL-P/7131/15

CROSSWORD-3474



ACROSS
- 1 Chinese martial art (4,2)
- 4 Fencers' weapons (6)
- 8 Rail transport (5)
- 9 Antarctic bird (7)
- 10 Euphoria (7)
- 11 Upright (5)
- 12 Evaluated (9)
- 17 More mature (5)
- 19 Wretched (7)
- 21 Squirm (7)
- 22 Tendon (5)
- 23 Mourn (6)
- 24 Crunchy salad vegetable (6)

DOWN
- 1 Young cat (6)
- 2 North American falls (7)
- 3 Mushrooms and toadstools (5)
- 5 Marvels (7)
- 6 Itinerary (5)
- 7 Soundness of mind (6)
- 9 Large fleshy fruit (9)
- 13 Model of perfection (7)
- 14 Protection (7)
- 15 Gardener's tool (6)
- 16 At a leisurely pace (6)
- 18 King of Troy (5)
- 20 Savour (5)

Solution 3473

A	R	C	H	■	A	P	E	R	I	T	I	F
N	■	A	■	A	■	O	■	I	■	O	■	A
C	A	R	A	M	E	L	■	V	E	R	D	I
E	■	G	■	U	■	I	■	A	■	P	■	R
S	P	O	I	L	■	T	I	L	L	E	R	■
T	■	■	■	E	■	E	■	■	■	D	■	C
O	D	D	I	T	Y	■	U	P	R	O	A	R
R	■	A	■	■	■	A	■	I	■	■	■	E
■	T	R	I	P	O	D	■	F	A	C	E	D
Z	■	L	■	U	■	A	■	F	■	R	■	I
E	D	I	C	T	■	G	A	L	L	A	N	T
R	■	N	■	O	■	E	■	E	■	W	■	O
O	R	G	A	N	I	S	T	■	S	L	U	R

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3273

		7		5				
	5	8						
9	6					7		
3				7	9			8
6	7		3		2		9	5
8			5	4				3
		1					8	9
						2	6	
				2		5		

Solution-3272

1	8	2	5	3	6	4	7	9
6	5	7	9	2	4	1	3	8
9	4	3	1	7	8	6	2	5
2	6	5	7	8	9	3	4	1
4	7	9	3	1	2	5	8	6
3	1	8	4	6	5	2	9	7
7	2	1	8	5	3	9	6	4
8	9	6	2	4	1	7	5	3
5	3	4	6	9	7	8	1	2

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers


অসিজোলনেং
ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম
হিংচাবীদু মতুপ-মতুপ ককথৎলম্মী।
অদুগা য়েন্নখাদা কোম তৌদুনা ফুমজিল্লম্মী।
লুপ্তবী মাগাগা অসিজোলনেংগা হাৱনা থুংনরম্মী।